এ এ পি এস য়ুনা লোকদাউন শাংদোকহন্নবা, মপান্দগী হল্লকপশিং অমুক হন্না টেষ্ট তৌনবা তকশিনখ্রে

COVID-19 SCREENING DONE HERE ITANAGAR CAPITAL REGION

ইটানগর, জুন ০৬ (এজেন্সি): ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ পি এস য়ু) না লোকদাউনগী মতম চয়োল অনী শাংদোকহন্নিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। মপান্দগী হল্লকপা মীওই পুম্নমক অমুক হন্না টেষ্ট তৌগদবনি হায়নসু মহৈরোয়শিংগী লূপ অসিনা লৈঙাক্তা তকশিনখি।

ইটানগরদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা এ এ পি এস য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট মেজে তাকুনা হায়খি মদুদি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা মপুং ফানা থিংনবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী হল্লক্লিবা মীওই পুম্নমক অমুক হন্না টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই। অহানবা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রবা মীওই কয়া নৌনা অমুক টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখি। মরম অদুনা মপান্দগী হল্লক্লিবা মীপুম খুদিংমক অমুক হন্না টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনফম থোকই।

ফিভম লাকশিনবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি স্কুল, কোলেজ অমসুং অতৈ মহৈ তম্ফম লোইশঙ পুম্নমক থোঙ লোনবিয়ু হায়না অপিল তৌরদুনা মহাক্না হায়খি, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙহন্দনবা চাং নাইনা ওনলাইন ক্লাস তৌবদা অকায়বা লৈতে। অদুমওইনমক টেলিকম্যুনিকেসন অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবা লৈত্রিবা দিষ্ট্রিক্ট কয়ামরুম লৈবা মরম্না মহৈরোয় খুদিংমক ওনলাইন ক্লাসতা য়াওহনবগী খুদোংচাবা লৈতে।

এ এ পি এস য়ুগী প্রসিদেন্ট হৱা বগাংনা হায়খি, লোকদাউনগী কাঙলোন ঙাক্না চত্তবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎফম থোকই। লৈঙাক্না মতম-মতমগী ওইনা পীবা গাইদলাইন নীংথিনা ঙাকপা হায়বসিনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং থীবদা চকমা কাঙলুপকী মীওইশিং য়াওহনবা চুমদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। চকলাং দিষ্ট্রিক্টতা অনৌবা কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপগী মতাংদসু মহাক্না নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেস, জেদ পি এমগী মীরেপ লাউথোকখ্রে

আইজোল, জুন ০৬ (এজেন্সি): জুন ১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা জোরাম পিপলস মুভমেন্ট (জেদ পি এম) অমসুং কোংগ্রেসকী মীরেপ লাউথোকখ্রে। জেদ পি এম পোলিটিকেল এফ্যেরস কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি বি লালচনজোবাবু লাক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা আইজোল ইষ্ট-২ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইখিবা মীওই অসি মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ)কী মীরেপ রোবর্ট রোমাৱিয়া রোইটেনা মায়থিবা পীরমখি।

কোংগ্রেসগী ওইনসু পোলিটিকেল এফ্যেরস কম্মিটি অমসুং লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কোংগ্রেস পোলিটিকেল এফ্যেরস কম্মিটিগী মেম্বর পি সী জোরাম সংলিয়ানাবু রাজ্য সভাগী মীখলদ মীরেপ ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা জোরাম সংলিয়ানানা কুমজা ১৯৮৭, ১৯৮৯, ১৯৯৩ অমসুং ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী মীখলশিংদা মীরেপ ওইখিবদা মায়থিবা নংখিবনি। কুমজা ২০০৮ দগী কুমজা ২০১৩ ফাওবা লালথনহোলানা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মহাক্না ষ্টেটকী আর্ট এন্দ কলচর অমসুং ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর ওইরম্মী।

ত্রিপুরাগী অপুনবা কেস মশিং ৬৯৫ য়ৌরে

অগরতালা, জুন ০৬ (এজেন্সি): ঙরাং নুমিদাং অনৌবা কেস ৪৮ হেনগৎলকপগা লোয়ননা ত্রিপুরাদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৬৯৫ য়ৌরে। চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা হায়খি, সেম্পল ১,০২৬ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল ৪৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু মপান লৈবাক্তগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক ইমুংদগী হেন্দোক্তনা লৈবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী কাঙলোন ঙাক্তুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনমিন্নবা মতম ওইরে। তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরুবা মীওইশিং হল্লকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং তপ্পা-তপ্পা য়ামখৎলকখিবনি।

‘মপান্দগী হল্লকপশিং নীংথিনা ক্বারন্টিন তৌরবদি কোভিদ-১৯ লাকশিনবা ঙমগনি’

সিবসাগর, জুন ০৬, (এজেন্সি): অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা ঙসি সিবসাগর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সিভিল হোস্পিটালগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা দোক্তর অমদি হেল্থ ৱর্করশিং উনদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা জোইসগর সিভিল হোস্পিটালদা পুখৎলকপা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবগী মওং-মতৌ য়েংশিনখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ পিজুস হজারিকা, জোর্হাটকী লোক সভা মেম্বর তোপোন কুমার গোগোই, ষ্টেটকী রেভিন্যু এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর জোগেন মোহন, টেজপুরগী লোক সভা মেম্বর পলব লোচান দাস, সিবসাগরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর লক্ষিনন্দন গোগোই অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী অতৈ ওফিসলশিংসু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি।

হেল্থ মিনিষ্টরনা ঙরাং নুমিদাং রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোক্তুনা হেল্থ, পুলিস, পি দব্লিয়ু দি অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা হেল্থ মিনিষ্টরনা হায়খি, সেন্টরনা অথিংবা কোমথোরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীওই ৩,০০০ লোম তোঙান-তোঙানবা মফমদগী হল্লকখি। মীওই অয়াম্বা ক্বারন্টিনগী মতম লোইরদুনা হোম ক্বারন্টিন তৌনবা ময়ুম-ময়ুমদা হলহনখ্রে। হৌজিক হৌজিক শুপ্নগী মীওই ৩০০ লোম ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরি।

চাংচত্তা নুমিৎ খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০০ রোম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হল্লক্লি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মপান্দগী হল্লক্লিবা মীওইশিং অদু ক্বারন্টিন তৌবদা থোইদোক্না অৱাবা ওইরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অনৌবা কেস ৮১ থেংনখিবগা লোয়ননা অসামদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ২,৩২৪ য়ৌরে। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা হোজাইদগী ৪০, বরপেতাদগী ৭, নগাউনদগী ৭, বিস্বনাথদগী ৪, সোনিটপুরদগী ৩, কার্বি অংলোংদগী ২, লোয়ননা দিব্রুগর অমদি লক্ষিম্পুরদগী মীওই অমমম য়াওরি। অনৌবা কেস ৮১ হেনগৎলকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা এক্তিভ কেস ১,৮০৮ য়ৌরে।

ষ্টেটকী পাউ

অম্বাগী পি আই এল নিংথৌকাবা নুমীৎতা লিষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদসু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কীদমক লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লিঙৈগী মনুংদা এদভোকেটশিংনা মখোয়গী প্রোফেসনল দ্যুটিশিংগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীদনবগী মতাংদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)গী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অদুগী মখা তাবা হিয়রিং থা অসিগী ৮ (নিংথৌকাবা) নুমীৎতা চথনবা হায় কোর্টতা লিষ্ট তৌখ্রে।

অম্বাগী পি আই এল অসিগী নম্বর- ২০ ওফ ২০২০ নি। পিটিসনরশিংনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলচন্দ্র অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি ওক্রম ন্যুতনকুমারনি। পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা ষ্টেট লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনি।

মথং থাগী ২২ দা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অসিগী মতাংদা কোর্ট অসিনা লৌখৎতুনা থেঙখাংনাইনা খন্নরকপগী মনুং চন্না থা অসিগী ৪দা পীখিবা ওর্দর অমদা হায় কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী এদভোকেটশিংনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎ ফাওবগীদি মখোয়গী ওফিসশিং অমসুং সেনিয়রশিংগী চেম্বরদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা য়ুনিফোর্ম শেৎপগা লোয়ননা ভেলিদ ওইবা আইদেন্টিটি কার্দ পায়রগা নুংথিল পুং ২দগীনা ৫ ফাওবগী মনুংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াগনি হায়না খঙহনখ্রে।

লোয়ননা পিটিসন অসিগী মখা তাবা হিয়রিংগীদমক থা অসিগী ৮দা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ২দা লিষ্ট তৌখ্রে।

পুলিস পর্সনেল ১ শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী ইম্ফাল হোটেল মপাদা পুলিস পর্সনেল অমা লম্বীদা থাদোক্লগা লৈবা শগোল লমচা অমনা কাওবদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিতা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১.১০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। লম্বীদা লাকপা পুলিস পসর্নেল অমনা শগোল অদুগী মনিং ফাওরগা চৎলুবদা খঙহৌদনা শগোল অদুনা অফিং-অফাই ওইনা কাওরকপনি হায়রি। মাইদা পানবদগী ৱাম্থখি। মতুংদা মহাক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নবদা কা হেন্নদি শোকহৌদ্রে হায়রি।

ইরিলবুং কালিকাদা উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৬ (ঐচ এন এস): মালেম শীনবা থুংনা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সী এস) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভোল্যুন্টিয়রশিংনা ইরিলবুং কালিকাদা ঙরাং উ চারা কয়া থাখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বম্না হায়, মালেমগী অঙৈং-অশা কায়থরক্তুনা নেচরল দিজাষ্টর কয়া থোক্তুনা মীওইবা অমদি থৱায় পানবা কয়ানা হিংবদা অৱাবা অমা ওইরক্লিবা অসিদগী কন্নবা অঙম্বা থাক্তা উ চারা থাদুনা মালেম অসিগী খল ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।

থৌরম অদুগী মখা তারকপদা ভল্যুন্টিয়রশিংনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা ইরিলবুং বিট ওফিস, ইরিলবুংগা খুৎশম্নদুনা উ চারা কয়া য়েম্বোকখি। মালেম অসি শঙহল্লসি, অনৌবা য়েন্নিং হুলহল্লসি হায়বা ৱাখলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ব্রাঞ্চ অসিগী ভোল্যুন্টিয়রশিংদা নত্তনা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মালেমসিদা অকিবা লান্দা অমগী মওংদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংনবদা পুক্নিং হন্থদনা অঙম্বা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা অচেৎপা ফিরেপ অমসু লৌখি।

অশিবা হকচাং ১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): পল্লেলগী মনাক্তা চেনবা সেকমাই তুরেল মপান্দা নুপা অমগী অশিবা হকচাং ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা শিরম্বা থংনখ্রে। পুলিসগী পাউনা হায়, লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং গাইজৌ (২৭) অপোকপা লেলেন জৌ কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুরদগী লাক্লগা হৌজিক্না মচি ব্লোক্কী মনুং চনবা মপাও খুনদা লৈবনি। মহাক্না শিরল্লিবা অদুগী মনাক্তা সিরিঞ্জ অমা, মৈখেৎ অমদি চুরুটনচিংবসু ফংলে। অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক ককচিং পুলিসনা লৌখৎলগা জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। ককচিং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

বি জে পিগী অনৌবা প্রসিদেন্টকা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা বি জে পিগী এম পি, মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং উনদুনা ৱারী শাখ্রে।

ঙসি নুংথিল কাঞ্চিপুরদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন, ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন, দেপ্যুটি স্পিকর রোবিন্দ্রো, এম এল এ, এস রাজেন, ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, ঐচ দিঙ্গোনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী অনৌবা প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রগা লোয়ননা ষ্টেটসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা থেংনরিবা ইস্যু কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসিনা লৌবা য়াবা থৌদাং কয়াগী মতাংদসু পুথোক্তুনা খন্নখি হায়রি।

মপান লমদগী ফ্লাইট অনীদা পেসেঞ্জর ৪০১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ৪০১ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট অনীদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২৪ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা (ইন্দিগো ৬ঈ ২৫১) ফ্লাইটতা নুপা ১৪৫, নুপী ৭১, অঙাং ৬ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ২২২ থুংলখি। ফ্লাইট অসি অয়ুক্কী পুং ১.১৭ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর নুপা ১৩৪, নুপী ১৩, অঙাং ৯ য়াওনা পূন্না ১৫৬ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। অয়ুক পুং ১১.৫৫ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা (এয়র এসিয়া আই ৫৭৮৩) ফ্লাইটতা নুপা ৯১, নুপী ৮৩, অঙাং ৫ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৭৯ থুংলখি।

ফ্লাইট অসিনা অমুক অয়ুক্কী পুং ১১.৩৪ রোম তাবদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর নুপা ৯৩, নুপী ৫ অমদি অঙাং ২ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১০৩ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

অমরোমদা ঙসি দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলখিবা পেসেঞ্জর ৪০১ অদুগী মনুংদা য়াওরকপা আর্মি পর্সনেল ১৫ রোম ওথোরিটিগী অয়াবা মতুংইন্না আর্মি য়ুনিট ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরগনি হায়দুনা তোঙান্না চৎখি। অতৈ পেসেঞ্জরশিংনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী তোঙান-তোঙানবা বসশিংদা তোংলগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি স্কুলদা পুরগা থমখি। মখোয় মফম অদুদগী অমুক মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরদা পুখি।

অমরোমদা, সিলচরদগী জিরিবাম ফাওরগা বস অনীদা মীওই ২৪সু ইম্ফালদা চঙলকখ্রে হায়রি।

শেন্মীৎলোন, খুন্নাইলোন, লৈঙাক্লোনদা...

লামায় ১গী মখা... চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গী মায়োক্তা মনম-মনম চথরক্লিবা রেসিষ্ট এক্টশিং অসিনা করি হায়রি, ইন্দিয়া মচাশিংনা ঐখোয় অমদি মখোয় হায়বা ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোক লেপ্তুনা পীরক্লি। পীরিবা ৱাহন্থোক অসিগী মনুংদা ঐখোয় হায়বসিনা মেনলেন্দ ইন্দিয়াশিংবু মশক তাকই। অদুগা ৱেসিয়া মচাশিংবুনা তোঙান্না খায়দোক্তুনা মখোয় হায়বা কাঙলূপ অদুগী মনুংদা থম্মী। কোভিদ-১৯গী মতমসিদা মখোয়না মখোয় হায়না মশক তাক্লিবা ৱেসিয়া মচাশিংবু কোরোনা হায়না কৌদুনা তিল শীৎচিনবা, অসিদগী হেন্দোক্তুনা ফূবা-চৈবা (ফিজিকেল এসোল্ট)সু তৌরি। মসিনা হায়রিবদি ঐখোয় ৱেসিয়া মচাশিং অসি ঐখোয় মীতোপনি, ইন্দিয়া মচা নত্তে হায়বনি। অতোপ্পা লোন্দাদা হায়রগনা ঐখোয়বু লৈরগনু হায়দুনা মখোয়গী লৈবাক্তগী তাল্লিবনি। হৌজিক ঐখোয় মীৎ পাংনা-পাংনা তুম্বগী মতম ওইরিব্রা হায়বা ৱাহংসি মথন্তা চোঙথোকচরকই। মসিগী পাউখুমদি ৱেসিয়াগী য়াওল্লুপশিংনা পীফম থোক্তব্রা। ঐখোয়বু দিল্লি, মুম্বাইনচিংবা ইন্দিয়াগী সিটিশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফাওবা লৈবা য়াহন্দে। দুকান্দা লৈগে চঙলুবদা পোৎ অমত্তা পীরক্তে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মসিনা করি তাক্লি। ঐখোয় ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনি হায়জবা য়ারিব্রা। মখোয়গী সিটিজন ওইনা লৌবা লৌদবগী ৱাফমদি থন্থু থমখিসি। মখোয়না ঐখোয়বু মী ওইনা ফাওবা উবীদ্রবনি। ঐখোয় মখোয়গা পূন্না হিংমিন্নগনি খনবসি তশেংনা লাল্লে হায়বসি হৌজিক থোরক্লিবা ৱাচুমনি। ঐখোয়গী মাংদা হৌজিক-হৌজিক ময়েক শেংনা লৈরিবা ৱাফমদি ঐখোয় মখোয়গা পূনফম শুংথোক থোক্তে হায়বসিনি। মখোয়গী মখাদা মতম কুইনা লৈবা হায়বসি ঐখোয় ইশানা ইশাবু লৈখা তাহঞ্জদুনা মী ওইহঞ্জদবা হায়বনি। মপূং ফাবা অচঙবা মী অমা ওইগে হায়রবদি ইন্দিয়াদগী তোখায় তাবা নৎতনা অতৈ লম্বী লৈতে।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসিদি ঐখোয়গী ৱেসিয়া লমদমগী ইচিল-ইনাউ পূম্বা মশা-মশাগী ময়ূমদা হায়বদি মরমদমদা লোইনা থৱায় হিংনবা চেন্নরক্লে। ঐখোয়না য়ূমদা হল্লকপা নৎত্রগা চেল্লকপা হায়বসিগী ৱাহন্থোক্তি ঐখোয়না লৈরুরিবা মফম অদু ঐখোয়গী ইয়ুম নত্তে হায়বনি। য়ূম হায়বা ৱাহৈ অসিদগী খরদং পোলিটিকেল ওইনা য়েংলগনা লমদমদু ঐখোয়গী ইরৈবাক নত্তে হায়বনি।

মথং মথং ....

বি জে পি লৈঙাক্কী ২শুবা টর্ম চহী ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্কী অনীরকশুবা টর্মগী চহী মপুং ফারকপগী থৌরম ঙসি বি জে পি ৱাংখেম মন্দলনা শীন্দুনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা হান্নগী মিনিষ্টর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মায় পাক্না পায়খৎখ্রবা থৌরাং কয়াবু খন্নদুনা মীয়ামদা খঙহনখিবা থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জেতিন ৱাইখোম, সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন এল তেজকুমার, ৱাঙাংলোয় ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং, হান্নগী মিনিষ্টর কে ঐচ লোকেন, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর এল বসন্তা, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ অমদি মন্দলগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী নৌনা প্রসিদেন্ট খল্লকখ্রবা প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রবু মন্দলগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিগী ৱার্করশিংনা চেনগদবা মতিক-ময়াই অমদি তৌগদবা থবক থৌরাং কয়া লৈ। পার্টিগী লুচিংবশিংনা মীয়ামগীদমক হোৎনরিবা কয়া অসি খঙহনবা তাই। পায়খৎলিবা স্কিম কয়াগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা মরুওই। পার্টিগীদমক থম্মোয় শেংনা থবক তৌদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনসি। পার্টি প্রসিদেন্টপু ঈকায় খুম্নরিবনি হায়দুনা ওকপগী থৌরম তৌবীগনু হায়খি।

ক্বারন্টিন সেন্টরশিং লেপ্তুনা য়েংশিল্লি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা লুচিংবা ওফিসল টিমনা কোভিদ-১৯ পেসেন্দমিককীদমক দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং লেপ্তুনা য়েংশিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী সেন্টরশিং চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি টিম অসিনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী এ দি সী বিল্ডিং অমসুং মারাম খুনৌগী দোন বোস্কো স্কুলদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংগী ফীভমশিং য়েংশিনখি।

ঙসিগী টিম অসিদা কম্মিসনগী ওফিসলশিং, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং এস পিগী মথক্তা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লোক সভাগী এম পি লোরহো এফ ফোজেসু শরুক য়াখি হায়রি।

টিম অসিনা সেন্টরশিং অসিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী গাইদলাইনশিং ঙাক্না চৎলিব্রা হায়বগী মতাংদা ইনক্বারি চথুদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুখি হায়রি।

চসাদ ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী মার্চ ১৬তা থোকখিবা থৌদোক অমদা চসাদ ভিলেজগী খুঞ্জাশিংনা লৈরিবা য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদোকপীখিবদগী অৱাবা নংখ্রবা খুঞ্জাশিংদা হেপি ভিলেজকী চীফ অমসু ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টিগী প্রসিদেন্ট থাংমিনলেন কিপগেননা লুচিংদুনা মহাক্কী খুনগী ভিলেজ ওথোরিটি অমদি চর্চকী মায়কৈদগী লুপা লাক্ষ অমা তেংবাঙখ্রে হায়রি। তেংবাঙ অসি ঙসি থাংমিনলেন য়াওনা ভিলেজ ওথোরিটি অমদি চর্চকী মীওইশিংগা লোয়ননা চসাদ ভিলেজদা চৎতুনা খুঞ্জাশিংনা চম্না পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চসাদ ভিলেজকী চীফ থাংজাহাও হাওকিপতা খুৎশিন্নখি।

CROSSWORD-3466



ACROSS

- 1 Royal residences (7)
- 5 Bonkers (5)
- 8 Striped quadruped (5)
- 9 Very many (7)
- 10 Trucks (7)
- 11 Kills (5)
- 12 Ancient (3-3)
- 14 Drawing stick (6)
- 18 Lukewarm (5)
- 20 Executioner (7)
- 22 Delicate (7)
- 23 Custom (5)
- 24 Church council (5)
- 25 Assuage (7)

DOWN

- 1 Kneecap (7)
- 2 German pistol (5)
- 3 Warm and friendly (7)
- 4 Game played in a court (6)
- 5 Heads of the Roman Catholic church (5)
- 6 Curative treatment (7)
- 7 Americans (5)
- 13 Make intelligible (7)
- 15 French car (7)
- 16 Convent (7)
- 17 Drinker's toast (6)
- 18 Petty quarrels (5)
- 19 Desiccated (5)
- 21 Breakfast, lunch, etc (5)

Solution 3465

P	E	B	B	L	E	■	U	N	U	S	E	D
I	■	I	■	A	■	■	■	A	■	C	■	E
R	A	V	E	N	■	F	E	R	V	O	U	R
A	■	O	■	D	■	O	■	R	■	R	■	I
C	R	U	I	S	E	R	■	A	M	E	N	D
Y	■	A	■	■	■	B	■	T	■	■	■	E
■	■	C	O	C	H	I	N	E	A	L	■	■
B	■	■	■	H	■	D	■	■	■	A	■	A
O	C	H	R	E	■	D	E	D	U	C	E	D
U	■	O	■	E	■	E	■	O	■	K	■	U
G	L	I	S	T	E	N	■	G	R	I	L	L
H	■	S	■	A	■	■	■	M	■	N	■	T
T	E	T	C	H	Y	■	H	A	G	G	I	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3265

				8	1			
6				7	9	1		
			5			7		4
1	3	7				5		
4	6						1	2
		2				3	8	7
7		3			6			
		9	8	2				1
			7	4				

Solution-3264

6	7	3	8	5	9	4	1	2
1	5	2	6	4	7	8	3	9
9	4	8	1	2	3	6	7	5
5	3	1	4	8	6	2	9	7
8	2	7	9	1	5	3	4	6
4	6	9	3	7	2	5	8	1
7	9	4	5	6	8	1	2	3
3	1	5	2	9	4	7	6	8
2	8	6	7	3	1	9	5	4

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers


অসিজোলনেং
ঈ ! সিদি ঐগী নুপী অসিজোলনেংনিনেহে।
অদুদি অমদুনা কনা ?
লুখ্রাবী মচাদু মকোক ঙাওদুনা লৈরম্মী।

স্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম